# য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না, ফোংঙমদ্রবসু ৱাহৈনা : পি ঐচ ইবোয়াইমা শর্ম্মা

*- নানি*

*“য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/ফোংঙমদ্রবসু ৱাহৈনা/মীৎকা মীৎকা চান্নবা/থম্মোয় মানা পামজরুই/য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়...”* ঈশৈ অসি কুমজা ১৯৬৯দা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা ইহান হান্না শৈশকপা ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা শর্ম্মা, ওজা অসিনা রেকোর্দ তৌখিবা ঈশৈনি। ঈশৈসি রেদিওদা হেক লান্থোরকপগা অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওইখি। মীয়াম্না চিন্দোল লৈতোন্দা পকখি। মতমদুগী মীরোলদা চিন্দোনদা পকখিবা ঈশৈদুগী শুর অমদি ময়েক অদু ঙসিসু ঙরাংতা লৌশিং লাকপা নহাশিংগী লৈতোন্দসু অসুম্মক পল্লি। ঈশৈসিমক হেক তাবগা হান্না তানিংবগী অমদি মতেক অমত্তং ওইরবসু ঙংনিংবগী পূক্লিং ইথিল পোল্লি। মপুন্সিগী ঈশৈ শকপা হৈজদবা, বাথরুম সিঙ্গর ওইনা ঈরুজবদা ময়েক মসোন কয়া য়াওদনা ঙংজবশিংনসু ঈশৈসিগী অহৌবা মতেক অসি কয়ারক ঙংনখ্রবনি। হৌজিকসু মদুগী ময়েং অদু তাদ্রি। থাবল চোংবদা, লুহোংবদা, অতৈ অতৈ বেন্দ পার্টিগী থৌরম য়াওবা পুন্নমক্তা ঈশৈসি খোংলি। ময়েক য়াওদনা ইন্সট্রুমেন্টশিংনা খোংবা ওইরবসু ৱাখলনা ময়েক লামশিন্দুনা মীপুম খূদিংনা নুংঙাইনা তারি। করম্বা মতমদা ঈশৈসিগী মপুন্সি লোইগনি হায়বসি কনানসু খঙবা ঙমদ্রি, শাংনা পুন্সিখিগনি। নুংঙাইরিবদি ঈশৈ অসি পোকখিবগী ৱারী অসিনি। ওজানা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শৈশকপা অমা ওইনা লৈরবা মতমদা ঈশৈ শকপা মীসু য়াম্না লৈতবা, ইবা মীসু য়াম্না লৈতবনা মরম ওইদুনা য়াম্না তোয়না তোয়না প্রোগ্রাম পী। অদুগা অয়াম্বনা ঈশৈশিং অদু লাইভ ওইনা শন্দোক্লম্মী। ওজাসি কুমজা ১৯৬৪দগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা এপ্রুভ তৌদুনা ঈশৈ শকপা হৌরকখিবনি। কুমজা ১৯৬৯দা ওজাদা রেদিওগী প্রোগ্রাম অমা পীরকখি। মদু লাইভ ওইনা শক্কদবা ওইখি। মখোয়না পীরকপা অদু ওজাদি কোলকাটাদা চৎকদবা লৈবনা খুদোংচাররোই, রেকোর্দিং ওইনা তৌজগে হায়না ষ্টেসন দিরেক্টরদা এপ্লিকেসন অমা ইখি। ওজাগী এপ্লিকেসনদু দিরেক্টরনা পারবা মতুংদা রেকোর্দ ওইনা তৌনবা অয়াবা পীখি। খুদক্তা রেকোর্দ তৌগদবা ওইবনা শক্কদবা ঈশৈশিং লোইনা শুর পান্নবগী তাঞ্জা ফংখিদে। অদুবু রেকোর্দিংদি তৌগদবনা, ওজাদা অৱাবা অমদি ওইখি। লাইশোন ঈশৈ অহুম অমদি হান্নগী শুর শেমদুনা লৈরবনিনা থোইনা ৱাদ্রে। অধ্যুনিক ঈশৈ অহুমগী মনুংদা অনী অমদি শুর লোইরে,- *“নুংশিজরুবা ঐনা থম্মোয় লাইমন ওইহৌরে, নুংশি খঙদ্রবী মাদি নোক্না নোক্না লৈহৌরে”* হায়বা অদুগা *থাদোই থাদোই কৌরনু* হায়বা ঈশৈ অনী অসিমদি রেদিদা লৈরবনি। ঈশৈ অনী অসিমসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ ওইখিবনি। অদুবু ঈশৈ অমদি শুর পানগদবা ৱাৎলি। রেকোর্দিং তৌগদবা নুমীৎ অদু অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা ওজা অসি সাইকল অমা তোংদুনা রেদিও ষ্টেসন তান্না লাকখি। লম্বীদা সাইকল থৌনা থৌনা মন্দিলাদু খিংলগা শুর থিরি। লাইনা পীবা শুরনি, লাইনা পীবা ময়েকনি। লম্বীদা সাইকল থৌনা থৌনা শুর অমা থোরকখি। শুর অদু ৱাখলদা লাকপা ময়েক হাপচিন্দুনা ঙংবা হৌখি, *“য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না...”* রেদিও ষ্টেসন হেক য়ৌবগা য়াম্না থুনা মতমদুগী রেকোর্দিং এঞ্জিনিয়র ওইখিবা ৱাহেংবম সেলুংবদা রেকোর্দ লৌবীরো ঐগী ঈশৈগী শুর কাউখিদৌরে হায়না ইতিং তিংনা হায়খি। রেকোর্দ লৌবীদৌরিবা ৱাহেংবম সেলুংবনা *“করিগীনো ইবোয়াইমা নঙনা হেক লাকপগা হাথু হাথুনা রেকোর্দ তৌরসি হায়রিসিবো”*? অদুদা ওজানা খুমখি, *“ককা ঐগী ঈশৈ অমা লম্বীদা শুর পাল্লরগা লাকপনি কাউখিদৌরে?” ইহ অদুদি”* হায়দুনা থুনা রেকোর্দ লৌনবা থৌরাং লাংখি। রেকোর্দ লৌবা হায়সিমক্তবু, পুঙ য়ৈবা খোংগদৌবা ময়াম রেদি তৌবা অমা চঙই। অদুনা মদুগী এরেঞ্জ কন্না তৌরিঙৈ মরক্তুদা ওজানা ওজাগী কোক্তা লৈরিবা ঈশৈ অদু ষ্টুদিও মনুংদা চঙশিন্দুনা



হার্মোনিয়ম পায়দুনা শুরদু লোইশিনখি অদুগা রেকোর্দ লৌখি। অদুগা হাথু হাথুনা লৌখিবা রেকোর্দনি। অদুবু ঈশৈ অদুগী মরাইবক্তি খ্বাইদগী ফবা অমা ওইখি। ঙসিসু মীয়াম্না পাম্না তান্নরি।

ওজা ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা শর্ম্মা, লমদম অসিগী একাদেমীসিয়নশিংগী মরক্তা খুৎ থেক্লিবা চঙ থোকপা ওজা অমনি। দবল এম এনি ইংলিস অমদি ইকনমিক্স। অদুবু ওজাবু ময়াম্না হেক শীংথানখিবদি ইংলিসকী ওজা অমা ওইননি। ওজাগী মহৈরোয়শিং কোলেজদা অমদি য়ুমদা ট্যুসন তৌবদা তম্বীখিবসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লমদমসিগী মতিক চারবা অচৌ অচৌবা ওফিসল হেদ ওইরিবা কয়াশিং ওজাগী মহৈরোয় য়াম্না য়াওরি। ওজাদা নত্তনা ওজাগী ইচাশিং লোয়নমক লাইরিক-লাইশুগী মরমদা মতিক চাবা অমমম ওইরি। ওজাসি কুমজা ১৯৪২গী নবেম্বর ২৯দা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপানদা পোকখি। অপোকপগী মিংনা ফুরাইলাৎপম মধুমঙ্গল শর্ম্মা অদুগা অপোকপীগী মিংনা ফুরাইলাৎপম ওংবী সনাহনবী দেবী কৌই। ওজাগী মচিন-মনাও মরিনি (নুপা অনী নুপী অনী)। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ঈশৈ শকপা য়াম্না পামজরকখি। অপোকপী ইমা অমসুং পাবুংসু নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশকপা ওইরকখি। ইমুংগী অহল-লমননা ঈশৈ তৌবনে, ওজা হোইগী মান্দপতা মতমদুগী থৌরম কয়াদা ঈশৈ শকপগী ইনিলনে ওজাদা ঈশৈ পামজবগী ইথিল অসি তশেংনা পোকখি। ওজাসু লাইগী থৌরম কয়াদা অহল-লমন ঈশৈ শক্লিবদুগী মরক্তা ফৈজোম মচা অমা শেৎতুনা ঈশৈ শকপা য়াওরকখি। কোন্নথংদা ওজাসি মতমদুদা অধ্যুনিক ঈশৈ হায়না খঙনবা শৈদা অসিদা হেন্না থৱায়না পামজদুনা শকপা হৌরকখি।

কুমজা ১৯৬০গী হরিউথানগী লৈশাবী ময়াম্না লৈ পরেং লেংদুনা ওজাহোইগী মান্দপতা লাইগী থৌরম লাংনবা কন্না হোৎনরিঙৈ তাঞ্জাদা, ওজানা থাবলগা ফবা নুমীদাং অদু লেম্না মাঙহন্দনা অহিংদুগী ফজরবা থাবল অদু সুম ফমদুনা য়েংখিঙৈদা ওজাগী ৱাখলদা মোংলকপদু ইথোকখিবনি *“থাবল ফরবা অহিংদা, শামিন্নখিবা নুংশি ৱারী, করম হায়না কাউসিগে, ঐগী থম্মোয়না লৈরিঙৈদা/নোকমি নোকমিবা নঙগী মায়থোংনা, লোন্না লোন্না য়েংদুনা লৈরম্বা, হায়গে খল্লম্বা ৱাসু হায়ঙমদা, চাক্লা চাক্লা নহাক্লা লৈহৌবা, করম হায়না কাউসিগে, ঐগী থম্মোয়না লৈরিঙৈদা, থাবল ফরবা অহিংদা...”* ওজাগী পুন্সিদা ঈশৈসিনা ইহান হান্না শুর পানবা ঈশৈ হায়বদু ওইখি। ঈশৈ অসি রেদিওদা শকপদগী হেন্দোক্তুনা চহী ৯গী মতুং হায়বদি- কুমজা ১৯৬৯দা কোলকাটা তান্না চৎলগা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌদুনা মীয়ামদসু তাহনবীখি। হৌজিকসু ঈশৈ অসিগী তশেংবা মহাও অদু মাঙদনা লৈরি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি ওজাসি মণিপুরী ফিল্মদসু এক্টর অমা ওইনা শরুক য়াবীখি। **ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা** হায়বা ফিল্ম অদুদা ওজাসি ডোক্তর অমগী রোল লৌদুনা কুম্বীখি। মসিসু ওজাগী পুন্সিদা মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মতমদুদা ওজাগী মফমদা তীন্নবা মীওই কয়ানসু ফিল্ম মখা চত্থনবা ফনা কন্না হায়বীখিবা লৈখি অদুবু মখাদি থোইনা তাখিদ্রে। মণিপুরী মতম ঈশৈগী চপ চাবা মফম অমা কঞ্জনবা, মশাগী আইদেন্টিটি ঙাকচনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপকী প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইবীরমখি। হৌজিকসু কাঙলুপ অসিগী পাউতাক পীবা অহল অমা ওইনা লৈরি। হৌরক্লিবা নহাশিংবু অচুম্বা অশেংবা লম্বীদা লম য়ান্নবগী থৌদাং লৌবীরি। মণিপুরী মতম ঈশৈগী খোঙ্গুল লীরকপদা, শুর খোঞ্জেল খক্কী ৱা নত্তনা, ময়েক হায়বা অসিসু য়াম্না মরুওই। মমাংঙৈদদি অহল লমনশিংনা ময়েক্তগী শুর থোকই হায়না হায়নবীরম্মী। হৌজিক্তি মদুমক চুম্লিবরা নৎত্রগা অনৌবা মায়ওন অমা ওনখ্রবরা হায়বগী ৱাহং লৈরি। তাঞ্জা অসিদা ওজানা নৌনা ঈশৈ ইবীরিবা পুন্নমকশিংগী মফমদা ঈশৈ ময়েক অমা করম্না ইগদগে, মসিদা করি করি য়াওফম থোকপগে হায়বনচিংবা কয়াশিং অদু মমুৎ তানা নৈনদুনা ইবীরগদি ঐখোয়গী টেলেন্ট লৈরবা নহাশিং অসিগী লম্বা লৈরোই হায়না থম্বীরকখি। লোয়ননা মসিবু খঙদনা অমদি ইরিবনি হায়না পংই ইশিনবনদি মণিপুরী মতম ঈশৈগী ফজবা মতিক ময়াইশিং চম্লক্কনি হায়না চেকশিন ৱাফমসু থম্বীরি।

লোইশিল্লকপদা, লমদম অসিগী মমিং লৈরবা শৈশকপা, শৈশেম্বা, শৈরেংবা অমদি এদ্যুকেনিষ্ট অমা ওইবীরিবা ওজা ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা শর্ম্মা, মতম শাংনা অনা-অয়েক য়াওদনা পুন্সি নুংশাংনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু হেক ঙল্লিবমখৈ লমজিংবীদুনা অশেংবা লমদম অসিগী মণিপুরী মতম ঈশৈগী মশক অমা শাগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌবীরকপা ওইসনু হায়না তাইবং মপুদা থৌনিজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১২।১২।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; পোইনুগী ৯ নি পানবা।**

মেষ: থবক পাঙগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি, অচুম্বনা মায় পাক্কনি অমদি চাদিং হস্থগনি। অদুবু মরুপ মপাংনা লৌথোক-চাথোক্লিংগনি, হুরানবনা য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন কনগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃষ: হকচাং নুংঙাইগনি, লন চঙগনি, নিংবা মপা চাগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি-মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। চিংনবা থাদোকউ, নাপল তৌগনু-পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: লেঙদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইজবা অমদি নিংবদুমক পাঙবা নুমিৎনি। কিগনু, তনগনু, থৌনা লৈয়ু অমদি নিংহন্নগনু-শোয়দনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কর্কট: হেন্না আশা চাওগনু-মরম চানা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ। কংয়েৎ য়েৎকনু অমদি থিজিনবা কল্লু। পোরম শীনবা হৈ, মীবু শুমহৎলি, অফবা মফমদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

সিংহ: অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা খুৎ থাও-মায় পাক্লিংঙাই ওই। মীয়ামগা মরি ফগৎনবা ইশাগীতা খনগনু অমদি ঈরাং পুগনু। হান্নগুম হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কন্যা: নিংবা থুংগনি, মায় পাক্কনি, মীচঙ হেনগৎকনি অমদি কনানসু লাকচবা ঙমলোই। মীয়াম্না য়াম্না চানবীবা অমদি মীচঙ খোম্বদা থোইনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

তুলা: অশাওবা অমদি ফিংবনা মাঙজবা য়াবা খরা লৈরসু নিংবা থুংগনি, আশা চাওবগী কান্নবা অমদি ৱানোম থৌনোমগী কান্নবা শোয়দনা ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লৌশিং থোকপা ৱাৎলি, য়েৎনবা য়াওগনু অমদি চরাংনবা তৌগনু-মাঙজবা লৈগনি। ইমুং মনুং অমদি মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না থৌপাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: নুংঙাইবা পাউ তাগনি, অনৌবা মরুপ লোয়নবা কান্নগনি অমদি মীয়ামগী মতেং পান্নদি ফংগনি। অদুবু নাপলনা কায়নবা নংহনগনি, অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর: থৌনা লৈনা ওইজবা তানবা য়াগনি, চঙশিনখ্রবা থবক্তা নিংহন্নগনু- মীকোক থোংগনি। অনৌবা আশাগা লোয়ননা অনৌবা থবকসু পাঙবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ: য়েৎনগদবা থবক্তা য়াওরুনু অমদি মরম চাদনা হোয়া ফরুনু। নচাক নরলদি হেনগৎকনি, পোরম শীনবা অমদি ঙাং-শকপা হৈবনা ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিন: হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচঙ হেনগৎপা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাই নুংঙাইবা তাগনি অমদি অরাপ্পা মীগী মতেং ফংগনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**




তেম্বা : নিংথৌ শুম্নবা মন্ত্রদু শান্তিদাসনা কনাদা শীন্নরম্মী?
য়াইমা : কৈগীনো খঙপ্রেক খঙবা ৱা হংলিদি?
তেম্বা : সেদ্যুল কাষ্ট ওনবা য়াই-য়াদে তৌরিবসি লৈখায় অমা তাহনগে তৌবনি।
য়াইমা : করমহায়না?
তেম্বা : মন্ত্রদু লৈরদি মন্ত্রি মকোক্তু শুম্লগা বিলদু পাস তৌহনসিরা খল্লিবা।
য়াইমা : য়াই, য়াই। খুজাই লোক্তরা, কৈশুম শঙদরা অমদি চৎপা তাবা...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ইবুংঙো থম্বালদা নমগদবনি।
তল্লি তা থম্বালনা কনবা হেল্লি।
অদুদি কনা?
লাইরিক্তা নম্লবদি ঐনা ঙম্লনি, থৱায় য়াওদবনিনা
শোয়রেম্মী ! হে শেল ফংলবনিকো।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপা : ইবেম্মা নঙ হয়েং চাওরগা করি থবক তৌগনি?
মচানুপী : লুহোংগনি পাবুং।
মপা : মদু য়াম্না লানবা ৱাফমনি, হৌজিক্তগী হৌনা মীগী মাঙনবা ৱাখল খনগনু ...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী : তাম্মো, ঙরাং চাকনিবা নুপা অমা লাক্লম্মী য়াম্না লম হেল্লি।
মপুরোইবা : চাকনিবদুনা করি তৌবগীনো?
নুপী : চাকনিবা নুপা অদুনা ঙসি অমুক লাক্লমদুনা লাইরিক অমা পীরম্মী।
মপুরোইবা : করম্বা লাইরিকনো?
নুপী : চাক-এঙ্গাং থোংনবগী লাইরিক অমনি ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

তোম্বা : নুপা অয়াম্বনা জ্বার শান্নবা পাল্লিবসি করিগীনো খঙব্রা?
তামচা : খঙদে।
তোম্বা : মরমদি জ্বার মশান্না খক্তদা বেগমবু থাংগৎ-থাংগৎতুনা থাদবা য়াই। রিএল পুন্সিদদি অদুম হায়না তৌবা ঙমদে।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মহেশ : বাবা, নঙ অমম্বদা কীব্রা?
মপা : কিদে।
মহেশ : কৈদি অমদি লিনদি কীব্রা?
মপা : কিদে।
মহেশ : ঈশিংদি কীব্রা?
মপা : কিদে।
মহেশ : অদুদি বাবা নঙনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না কীরবসি ইমাদংনিকো...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : কুতুব মিনার কদাইদা লৈবগে?
মহৈরোয় : খঙদে।
ওজা : অদু ওইরবদি ফান মথক্তা লেপখৎলু।
মহৈরোয় : ফান মথক্তা ঙাইহাক লেপ্লগা লৈরবা মতুংদা হায়রকই- ওজা, লেপ্লগা য়েংবদসু কুতুব মিনার উদে...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Cat and Apple
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : Pre-Nursery Sec : A Roll : 1
School : Seldam English Academy



Title : Barbie Princess
By : Gloriya Kh.
Class: II Sec: Rose Roll : 39
School : Sl. Arena



Title : Dolphin
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : I Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph's Higher Secondary School



Title : Peacock
By : Laishram Chingkheinganba Singh
Class : KG (II) Roll : 12
School : T.N. Memorial Academy Heirok



Title : Scenery
By : Ngasepam Manshita Devi
Class : IV Sec : B Roll No.: 64
School : Nirmalabas High School



Title : Skeleton Warrior
By : Nongmeikapam Priyoranjan
Class : II Sec : D Roll No.: 29
School : Pitambara English Schhool



Title : Speider Man
By : Jehibash
Class : IV Roll : 17
School : Sacred Hearth School



Title : Ballon
By : Asem Lanchenbi Devi
Class : Pre-Nursery Sec : A Roll : 19
School : Vision Kid.



Title : Owl
By : Asem Paikhomba
Class : I Sec : B Roll : 5
School : St. Joseph's Hr. Sec. School



Title : A Kattle
By : Cinganbam Priyathoi
Class : III Sec : A Roll : 5
School : Hikalollaisung Lamdeng




Title : An Owl
By : Hidangmayum Rajlakshmi Sharma
Class : III
School : Mangal Kids School, Ningthoukhong



Title : Scenery
By : Irom Nongdamba
Class : II Sec : A Roll : 7
School : Kendriya Vidyalaya, Leimakhong



Title : Lamp
By : Loitongbam Mangal Meitei
Class : II Sec : A Roll No. 7
School : Nawa Singdam Sang



Title : Scenery
By : Loitongbam Marzeet Singh
Class : VI Sec : A Roll : 48
School : The Evergreen Flowers School



Title : Red Dragon
By : L. Satyazeet Singh
Class : VI Sec : B Roll : 17
School : The Evergreen Flowers School



Title : Moonlight Tree
By : Abenao Mayanglambam
Class: VI Roll : 52
School : Catholic School Canchipur

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।